# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-07-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্থবগী থবক লেপ্তুনা চখ্‌দুনা খুৎশু খুৎলায় অমসুং লালহৌবশিং ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উয়ুং মখোঙ এরিয়াদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্থবগী থবক চখ্‌বদা অহোংবা মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, অহাংবা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, দি.বি.বি.এল. নোংমৈ অমা অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎলে।

কাংপোকপী জিলাগী সপরমৈন্যা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কে. লাংঙোম এরিয়াদগীসু পোম্পী অমা ফাগৎলে। বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা দোপকোন অমসুং ঙানুকোন খুলগী মরক্তা লৈবা মফম অমদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা এল.এম.জি. থ্রি নোট থ্রি অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, কিলোগ্রাম মরিরোম লুম্বা আই.ই.দি. মরি অমসুং নোংমৈ মরু খরা ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং চুরাচান্দপুররোমদগী কাংপোকপী তমা লাকপা গাড়ি অমদগী সাপোম কেপ ১৯৬ তা হাপ্তুনা পুরম্বা হেরোইন ব্রাউন্দ সুগরনি হায়না চিংনবা পোৎলম কিলোগ্রাম অনি গ্রাম ১৯৩ ফাগৎলে হায়রি। পোৎলমশিং অদুবু পুরকপা মীওই অনিসু ফারে।

অমরোমদা, রাজ্য পুলিসনা লমফেল সুপর মার্কেট এরিয়াদগী ঙরাং কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফারে। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

রাজ্য পুলিসনা ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সনথেল অৱাং

লৈকাইদা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদা থিবা হুস্বগী থবক চত্থবদা হুরাল্লকপা হোন্দা এক্তিভা সিক্স-জি অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

**পুর্ণিমা (এল)ঃ** মহারিসি বেদবিয়াস পোকখিবা নুমিৎপু নীংশিংবা অমদি ওজা, গুরুশিংবু ইকায় খুমবা উৎপগী নুমিৎ-গুরু পুর্ণিমানা লাকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোন্বম বিরেননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পাউজেল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-ঐখোয়বু তাকপী তম্বীরিবা অমদি অফবগী লম্বীদা লমজিং লমতাকপীরিবা ওজা গুরুশিংগী মফমদা মপুং ফানা ইকায় খুমবা উৎশি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মহৈ মশিং তম্বা অমদি তাকপী তম্বীবগী চৎনবী অসি অমুক্কা হেন্না ৱাংখৎহনবা তঙাইফদে।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সেক্যুরিতি কো-ওর্দিনেসন কমিতিগী মীফমনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে।

মীফম অদুদা লৌমীশিংনা শান্তি ওইনা লৌ পানবা ঙমবা অমসুং লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিং নীংথিনা খুন্দা লৈতাহন্নবগী ৱাফমশিং খন্নখি। মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা লৌমীশিংনা শান্তি ওইনা লৌউ শিংউগী থবকশিং পাঙথোকপা ঙমবা ফ্লায়িং স্কাউটশিং শেমলে হায়না ফোংদোকখি। জিলা অসিগী মনুংদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা মরী লৈনবা ওফিসিএল খুদিংমকা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা থৌদাং লৌমীন্ননবসু শ্রীমতি পুজানা ফোংদোকখি।

**সেনাপতি (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মমোনি দোলেনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা হন্না য়েংশিনখিবগী মীফমনা জিলা অসিদা কুমজা ২০২৪-২৫ গী মনুংদা লোয়শিন্নবা পান্দম থমদুনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং হন্না য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীওইশিংনা স্কিমশিং চৎনহনবগী মওং, এচিপমেন্টশিং অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা খন্নখি। দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা সরকারগী স্কিমশিং অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং হেন্না খোঙজেল য়াংনা পায়খৎনবসু মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংদা পাউতাক পীখি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-মনিপুরগী মফম অয়াম্বদা ঙসি নোং চুরোই। সেন্টর অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-অদুমওইনমক, রাজ্য অসিগী জিলা অহুম- জিরিবাম, চান্দেল অমসুং ফেরজোলগী মফম খরদদি নোং চুরবা য়াই। হয়েং অমসুং লাক্কদৌরিবা নুমিৎ হুমনিদদি মনিপুরগী মফম পুমমক্তা নোং চুরদবা য়াই হায়রি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নামিবিয়াগী সংসদা ৱা ঙাংখ্রে। আফ্রিকাদা নুপী অমবু রাস্ত্রপতি ওইনা খনখিবা অসি ঐতিহাসিক ওইবা অমসুং গনতন্ত্রগী মগুন হেনগৎহনবা খোঙথাং অমনি হায়না শ্রী মোদিনা শিংথাখি।

ভারত্তসু ত্রাইবেল নুপী অমনা লৈবাক অসিগী রাস্ত্রপতি ওইরি হায়না ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-সংবিধাননা পীরিবা গনতন্ত্রগী হকশিং খ্বাইদগী মনুং হুনজিন্না লৈবা মীয়ামদসু য়ৌহনদুনা মখোয়গী হিংবগী থাক ৱাংখৎহনবা অমদি মখোয়বু হেন্না শক্তি পীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইদুনা শ্রীমতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী রাস্ত্রপতি ওইখিবনি।

মহাকা হায়-নামিবিয়া অমসুং ভারতকী মরক্তা গনতন্ত্রগী শক্তম য়ামা ময়েক শেংনা অমসুং মগুন ঙাক্তুনা থম্গী মওংশিং য়ামা মান্নে।

ভারত অমসুং নামিবিয়ানা হকশেল অমসুং হিদাক লাংথক অমদি নামিবিয়াদা ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ দিবলপমেন্ট সেন্টর লিংখৎপদা তেংবাং পীননবা,

চহি অসি লোয়শিল্লকপদা নামিবিয়াদা দিজিটেল পেমেন্ট সিষ্টেম হৌদোকবা য়াওনা য়াল্প-চে মরি সহি তৌনখ্রে। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং নামিবিয়াগী রাস্ত্রপতি-নেতুমবো নন্দি-নদাইটৱাগা লৈবাক অনিগী মরক্তা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নরবা মতুংদা য়াল্প-চেশিং অদু সহি তৌনখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লৈঙাকা আই.দি.পিশিংগী লৌখৎলিবা থবক থৌরম ময়েক শেংবা ৱাৎলি, কনক্রিট রোড মেপ য়াওদে হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফম অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরে হায়বা পাউশিং অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লৈঙাকা অথিংবা থমখ্রবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অদুম্মক শিজিন্নরিবা অসি লেপ্পা তঙাইফদে হায়বা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগী দাইরেক্তর-ডা: তৌরাংবম ব্রজাকুমারগী ৱাফম অমসুং লুচিংবশিংনা লৈবাক শেম বা সেন্টরগী য়াকা য়েংলিঙৈ মীয়াম অৱাবা মায়োকরে হায়বা পাউশিং অসিনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সসটেনেবল দিবলপমেন্ট গোল ইন্দিক্সতা মনিপুর ১৫ শুবদা লৈরি, নোর্থ ইষ্টকী মকোক থোংবা দিষ্ট্রিক্ট তরাদা মনিপুরদি য়াওদ্রে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মিজোরাম সরকারনা ম্যান্মারদগী ঙমখৈ পরিং লান্না লাঞ্জেন্নরকপা মীয়ামশিংগী মতাংদা দিল্লিদা চে থাদুনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নেসনৱাইদ জেনরেল ষ্ট্রাইক মনিপুরদসু চথুখি হায়বা পাউ অমসুং নাগা এরিয়াদা অনৌবা কুকি খুল অহুম তাশিল্লক্লে হায়বা ভিলেজ ওথোরিতিগী ৱাফমনা পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। লৈবাক শিন থুংনা

জেনরেল ষ্ট্রাইক চথখিবগী পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদসু তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চুরাচান্দপুর জিলাদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরি। য়ুম ১১৫ ঈচাওনা শোকহল্লে অমদি সেনাপতি জিলাদা ৩৭ শুবা ওপরেসন ব্লু বার্ড-১৯৮৭ নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হান্নগী এ.দি.সি. মেম্বরশিংনা অথুবা মতমদা মনিপুরদা এ.দি.সি. মীখল তৌনবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসুং কুকিগী সি.এস.ওশিংনা মখোয়গী এম.এল.এদা থমখিবা ৱাফমশিং অসি আইননা য়াদবনি হায়বা থাদৌ ইনপীগী ৱাফমনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা দিজিটেল আই.এল.পি. চৎনবা হৌরগনি হায়বা পাউ অসি গানফিয়ু মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

থা অসিগী ২৩ দগী আগষ্ট থাগী ২৩ ফাওবা চথগদবা ১৩৪ শুবা দুরান কপকী রোড সো পাঙথোল্লগনি হায়বা পাউ অমা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।